ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই পেট্রা মার্টিকপু সেট ২–১ দা অকনবা লম্বা থেংনরগা মায় পাক্লুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিটোলিনা

য়ুএসএগী দব্লিন সিটিদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ৭৬৫,৬০০ গী শেলগী মনা লৈবা মেমোরিয়েল গোল্ফ টুর্নামেন্টতা মশাগী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা অনীশুবা তাখ্রবা ইন্দিয়াগী অনির্বন লাহিরি

## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান বৃটেনগী এন্দি মুরে ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*পেরিস, জুন ৫ ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা রুশিয়াগী কারেন কাচানোভপু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি বৃটেনগী এন্দি মুরে অমদি রুশিয়াগী কারেন কাচানোভনা শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অহানবা সেট মুরেনা কারেনগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা মুরেনা অনীশুবা সেট অদুদা কারেনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুসু ৬–৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৩ শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী গাইল মোনফিল্সপু ৭–৫, ৭–৬(৯–৭), ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কোবু ০–৬, ৬–৪, ৬–৪, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নাভারোবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–১, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লবা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বেটোলিনানা ক্রোএসিয়াগী পেট্রা মেত্রিকপু ৪–৬, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা যুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়না অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই এলিজ কোর্নেটপু ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা পরাগ্বেগী শান্নরোই ভেরোনিকা কেপেদে রোয়গপু ৬–২, ৩–৬, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী আনন্দ নোর্ৱে চেছ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি

*ষ্টাবঙ্গর, জুন ৫ ঃ*

নোর্ৱেগী সিটি ষ্টাবঙ্গরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলটিবোক্স নোর্ৱে চেছ টুর্নামেন্টতা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা চেছ শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ শরুক য়াগদৌরি।

নোর্ৱেগী চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা চৎলিবা কুমজা ২০১৭ কী ওইনা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী মগুন লৈবা টুর্নামেন্ট ওইগদৌরি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্টরনেসনেল চেছ ফেদরেসনগী মখাদা লৈবা মকোক থোংবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা পোইন্ট ৱাংনা লৈরিবা শান্নরোই ৪ য়াওরি।

হায়রিবা শান্নরোই ৪ গী মনুংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অহুমসু য়াওরিবনি। টুর্নামেন্ট অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা করম–করম্বা শান্নরোইনা শরুক য়াগদগে হায়বা লেপথোখ্রবা মতুংদা মালেমগী চেছ শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজ বা শান্নরোই ৯ না লম্বা তৌনদুনা অথোই–অহেন তান্নগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি নোর্ৱেগী সিটি ষ্টাবেঙ্গরনা য়ুম্বু ওইগদৌরিবনি। মসিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসননা শান্নরোই ৯ গী অকনবা লম্বা অদুদা ইএলও রেট্টিং ২৮৩২ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব প্রসিদেন্টস কপ টুর্নামেন্টকী মেডল রাওন্দ য়ৌখ্রে

*আষ্টানা, জুন ৫ ঃ*

কজাকস্টানগী সিটি আষ্টানাদা চৎথরিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব চৌহান মেডল ফংবগী রাউন্দ য়ৌখ্রে।

প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেজি ৯১ দা শরুক য়ারকখিবা বোক্সর গৌরব চৌহাননা কজাকস্টানগী বোক্সর অর্কিনবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফং লগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর দিপক সিংহনা কেজি ৫২ দা লম্বা তৌবদা ক্রাইগিষ্টানগী মুসেবকী মখুত্তা মায়থিদুনা মেডলগী আশা লোইশিনখি।


